इस पुस्तिका में **20** मुद्रित पृष्ठ हैं।
This Booklet contains **20** printed pages.

www.prepp.in

# MVD18—II

परीक्षा पुस्तिका संख्या
Test Booklet No.

Prepp
Your Personal Exams Guide

LANG. CODE
**10**

## प्रश्न-पत्र—II / PAPER—II
## मणिपुरी भाषा परिशिष्ट / MANIPURI LANGUAGE SUPPLEMENT
## भाग IV & V / PART IV & V

परीक्षा पुस्तिका संकेत
**Test Booklet Code**

**M**

**इस परीक्षा पुस्तिका को तब तक न खोलें जब तक कहा न जाए।**
**Do not open this Test Booklet until you are asked to do so.**

**इस परीक्षा पुस्तिका के पिछले आवरण (पृष्ठ संख्या 20) पर दिए गए निर्देशों को ध्यान से पढ़ें।**
**Read carefully the Instructions on the Back Cover (Page No. 20) of this Test Booklet.**

**मणिपुरी में निर्देशों के लिए इस पुस्तिका के पृष्ठ संख्या 2 व 19 देखें।**
**For Instructions in Manipuri, see Page Nos. 2 and 19 of this Booklet.**

### *परीक्षार्थियों के लिए निर्देश :*

1. यह पुस्तिका मुख्य परीक्षा पुस्तिका का एक परिशिष्ट है, उन परीक्षार्थियों के लिए जो **या** तो भाग—IV (भाषा—I) **या** भाग—V (भाषा—II) **मणिपुरी** भाषा में देना चाहते हैं, लेकिन **दोनों नहीं**।
2. परीक्षार्थी भाग I, II, III के उत्तर मुख्य परीक्षा पुस्तिका से दें और भाग IV व V के उत्तर उनके द्वारा चुनी भाषाओं से।
3. अंग्रेजी व हिन्दी भाषा पर प्रश्न मुख्य परीक्षा पुस्तिका में भाग—IV व भाग—V के अन्तर्गत दिए गए हैं। भाषा परिशिष्टों को आप अलग से माँग सकते हैं।
4. इस पृष्ठ पर विवरण अंकित करने एवं उत्तर-पत्र पर निशान लगाने के लिए **केवल काले/नीले बॉलपॉइंट पेन** का प्रयोग करें।
5. इस भाषा पुस्तिका का **संकेत M** है। यह सुनिश्चित कर लें कि इस भाषा परिशिष्ट परीक्षा पुस्तिका का संकेत, उत्तर-पत्र के **पृष्ठ-2** एवं मुख्य परीक्षा पुस्तिका पर छपे संकेत से मिलता है। अगर यह भिन्न हो, तो परीक्षार्थी दूसरी भाषा परिशिष्ट परीक्षा पुस्तिका लेने के लिए निरीक्षक को तुरन्त अवगत कराएँ।
6. इस परीक्षा पुस्तिका में **दो** भाग IV और V हैं, जिनमें **60** वस्तुनिष्ठ प्रश्न हैं तथा प्रत्येक 1 अंक का है :

   भाग—IV : भाषा—I (मणिपुरी) (प्रश्न सं० 91–120)
   भाग—V : भाषा—II (मणिपुरी) (प्रश्न सं० 121–150)
7. भाग—IV में भाषा—I के लिए 30 प्रश्न और भाग—V में भाषा—II के लिए 30 प्रश्न दिए गए हैं। इस परीक्षा पुस्तिका में केवल मणिपुरी भाषा से सम्बन्धित प्रश्न दिए गए हैं। **यदि भाषा—I और/या भाषा—II में आपके द्वारा चुनी गई भाषा(एँ) मणिपुरी के अलावा है/हैं, तो कृपया उस भाषा वाली परीक्षा पुस्तिका माँग लें। जिन भाषाओं के प्रश्नों के उत्तर आप दे रहे हैं वह आवेदन-पत्र में चुनी गई भाषाओं से अवश्य मेल खानी चाहिए।**
8. **परीक्षार्थी भाग—V (भाषा—II) के लिए, भाषा सूची से ऐसी भाषा चुनें जो उनके द्वारा भाषा—I (भाग—IV) में चुनी गई भाषा से भिन्न हो।**
9. रफ़ कार्य परीक्षा पुस्तिका में इस प्रयोजन के लिए दी गई खाली जगह पर ही करें।
10. सभी उत्तर केवल OMR उत्तर-पत्र पर ही अंकित करें। अपने उत्तर ध्यानपूर्वक अंकित करें। उत्तर बदलने हेतु श्वेत रंजक का प्रयोग निषिद्ध है।

### *Instructions for Candidates :*

1. This Booklet is a Supplement to the Main Test Booklet for those candidates who wish to answer **EITHER** Part—IV (Language—I) **OR** Part—V (Language—II) in **MANIPURI** language, but **NOT BOTH**.
2. Candidates are required to answer Parts I, II, III from the Main Test Booklet and Parts IV and V from the languages chosen by them.
3. Questions on English and Hindi languages for Part—IV and Part—V have been given in the Main Test Booklet. Language Supplements can be asked for separately.
4. Use **Black/Blue Ballpoint Pen only** for writing particulars on this page/marking responses in the Answer Sheet.
5. The CODE for this Language Booklet is **M**. Make sure that the CODE printed on **Side-2** of the Answer Sheet and on your Main Test Booklet is the same as that on this Language Supplement Test Booklet. In case of discrepancy, the candidate should immediately report the matter to the Invigilator for replacement of the Language Supplement Test Booklet.
6. This Test Booklet has **Two** Parts, IV and V, consisting of **60** Objective-type Questions and each carrying 1 mark :

   Part—IV : Language—I (Manipuri) (Q. Nos. 91–120)
   Part—V : Language—II (Manipuri) (Q. Nos. 121–150)
7. Part—IV contains 30 questions for Language—I and Part—V contains 30 questions for Language—II. In this Test Booklet, only questions pertaining to Manipuri Language have been given. **In case, the language(s) you have opted for as Language—I and/or Language—II is a language other than Manipuri, please ask for a Test Booklet that contains questions on that language. The languages being answered must tally with the languages opted for in your Application Form.**
8. **Candidates are required to attempt questions in Part—V (Language—II) in a language other than the one chosen as Language—I (Part—IV) from the list of languages.**
9. Rough work should be done only in the space provided in the Test Booklet for the same.
10. The answers are to be recorded on the OMR Answer Sheet only. Mark your responses carefully. No whitener is allowed for changing answers.

परीक्षार्थी का नाम (बड़े अक्षरों में) : ____________
Name of the Candidate (in Capitals)

अनुक्रमांक (अंकों में) : ____________
Roll Number (in figures)

(शब्दों में) : ____________
(in words)

परीक्षा-केन्द्र (बड़े अक्षरों में) : ____________
Centre of Examination (in Capitals)

परीक्षार्थी के हस्ताक्षर : ____________
Candidate's Signature

निरीक्षक के हस्ताक्षर : ____________
Invigilator's Signature

Facsimile Signature Stamp of Centre Superintendent ____________

LANG. CODE
**10**

# MVD18—II

টেষ্ট-বুকলেট কোড
**M**

## পেপর—II

## মণিপুরী লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট

## ভাগ—IV অমসুং V

হায়রক্তিফাওবা টেষ্ট বুকলেট অসি হাংদোক্কনু।

বুকলেটশিগী নীতি-নিয়মশিং (Instructions) (লমাই 19 অমসুং 20) অসি য়াম্না চেকশিন্না পাউ।

***কেন্দিদেটশিংদা পীবা ইন্সট্রক্সনশিং :***

1. বুকলেটসি মণিপুরী লেঙ্গুয়েজদা পার্ট—IV (লেঙ্গুয়েজ—I) নত্রগা পার্ট—V (লেঙ্গুয়েজ—II) দা পরিক্ষা থানিংবা কেন্দিদেটশিংগীদমক মেন টেষ্ট বুকলেটতগী সপ্লিমেন্ট অমনি। অনিমক্তি পুন্না পরিক্ষা থাবা য়ারোই।
2. কেন্দিদেটশিংনা মেন টেষ্ট বুকলেটতগী পার্ট—I, II, III অমসুং মখোয়না খনবা লেঙ্গুয়েজশিংদগী পার্ট—IV অমসুং পার্ট—V কী পাউখুম পীবা দরকার লৈ।
3. ইংরাজি অমসুং হিন্দী লেঙ্গুয়েজশিংগী পার্ট—IV অমসুং পার্ট—V ৱাহংশিং মেন টেষ্ট বুকলেটতা পীরে। লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্টশিংগীদমক তোঙান্না হংবা য়াই।
4. লমায়সিদা পার্টিকুলারসিং **ইননবা ব্লেক/ব্লু বোল পোইন্ট পেনখক্তংমক** শীজিন্নৌ।
5. লেঙ্গুয়েজ বুকলেটশিগী কোডতি **M** নি। অঙ্গর শীটকী **সাইড–2** দা ইরিবা কোডতুগা অমসুং মেন টেষ্ট বুকলেটতা ইরিবদুগা লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট বুকলেটকীশিগা চপ মান্নবরা হায়না য়েংউ। মান্নদবা থোক্লবদি কেন্দিদেটনা খুদক্তা লেঙ্গুয়েজ সপ্লিমেন্ট বুকলেট অদু শীন্দোক্লবা ইনভিজিলেটরদা রিপোর্ট তৌগদবনি।
6. বুকলেট অসিগী পার্ট **অনিনি** IV অমসুং V। মসিদা ৱাহং অমমমদা মার্ক অমা পীবা ৱাহং **60** য়াওই :

   পার্ট—IV : লেঙ্গুয়েজ—I (মণিপুরী) (ৱা : 91 দগী ৱা : 120)

   পার্ট—V : লেঙ্গুয়েজ—II (মণিপুরী) (ৱা : 121 দগী ৱা : 150)
7. পার্ট—IV লেঙ্গুয়েজ—Iগী ৱাহং 30 য়াওই অমসুং পার্ট—V লেঙ্গুয়েজ—IIগী ৱাহং 30 য়াওই। বুকলেট অসিদা মণিপুরী লেঙ্গুয়েজদংগা মরী লৈনবা ৱাহং হংই। **নহাক্না নঙগী লেঙ্গুয়েজ—I অমসুং লেঙ্গুয়েজ—II ওইনা খনবা লেঙ্গুয়েজশিংদু মণিপুরী নত্রবদি লেঙ্গুয়েজদুদা ৱাহং হংবা টেষ্ট বুকলেট অমা পীনবা হায়বীয়ু। পাউখুম পীরিবা লেঙ্গুয়েজশিংদু নহাক্কী এপ্লিকেশন ফোর্মদা ইখিবা লেঙ্গুয়েজশিংগা মান্নগদবনি।**
8. **কেন্দিদেটশিংনা লেঙ্গুয়েজশিংগী লিষ্টতগী লেঙ্গুয়েজ—I ওইনা খনখিবদু নত্তবা অতোপ্পা লেঙ্গুয়েজ অমদা পার্ট—V (লেঙ্গুয়েজ—II)দা য়াওরিবা ৱাহংশিংগী পাউখুম পীবা দরকার লৈ।**
9. টেষ্ট বুকলেটতা পীরিবা মফমদূতদা রফ ৱার্ক তৌগদবনি।
10. পাউখুমশিংদু (OMR) পাউখুম চেদা ইগদবনি। নঙগী পাউখুমশিংদু চেকসিন্না মার্কতৌ। পাউখুমশিং হোংনবা মূক অভৌবা শীজিন্নবা য়াদে।

কেন্দিদেটকী মীং : ____________________

রোল নম্বর (অঙ্ক ময়েক্তা) : ____________________

ৱাহৈদা : ____________________

পরিক্ষাগী সেন্টর : ____________________

কেন্দিদেটকী সিগনেচর : ____________ ইনভিজিলেটরগী সিগনেচর : ____________

Facsimile signature stamp of Centre Superintendent ____________________

prepp
Your Personal Exams Guide

কেন্দিদেটশিংনা **MANIPURI Language–I** লৌরবদি **পার্ট–IV** গী **(ৱাহং 91–120)** ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি।

Candidates should attempt the questions from **Part–IV (Q. Nos. 91–120)**, if they have opted **MANIPURI** as **Language–I** only.

# Part—IV / কাখন—IV

## Language—I / লোন—I

## Manipuri / মণিপুরী

কেন্দিদেটশিংনা **MANIPURI Language–I** লৌরবদি **পার্ট–IV** গী **(ৱাহং 91–120)** ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি।

***দিরেক্সন*** : মখাগী ৱাহংশিংসিগী মখাদা পীরিবা ওপসনশিং অসিদগী খ্বাইদগী চান্নবদু খল্লগা পাউখুম পীয়ু (ৱাহং **91–105**) :

**91.** লোন তম্বীবদা তুংওইননা লৈহৌরবা মহেরোইশিংগী খ্বাইদগী ফবা মতম্বীসি—

(1) তোঙান্না তম্বীবনি

(2) কাংলুপ (Group) ওইনা তম্বীবনি

(3) মমান্নবশিংগা তম্বীবনি

(4) মথক্কীশিংসি লোইনমক্কি

**92.** লোন তম্বীবগী ওবজেক্তিভ ইভালুয়েসন্দা দরকার লৈরিবসি—

(1) ওবজেক্তিভ ওইবা অমসুং অফ-ফত্ত য়েংবদুনি

(2) পুল্লপকী অমসুং লোনচৎকী য়েংবদুনি

(3) থাজনিংঙাই অমদি চান্নব্রা য়েংবদুনি

(4) মথক্কীসি লোইনমক্কি

**93.** মখাগীশিংসিদগী করম্বনা লোন তম্বীবগী পান্দম নত্তবগে ?

(1) ৱাখল্লোন পুথোকপা

(2) লোন খংবা

(3) ইবদা য়াম্না হৈবা

(4) অনৌবা পুথোকপা

**94.** লোনগী স্কীল খংবদা মখাগীশিংসিদগী করম্বনা চুমদবগে ?

(1) লোনগী স্কীলশিং খংনবা হোৎনবদা লোনগী পথাপতনা (principle) লোনগী প্রাকটিসতগী মরু ওই

(2) অঙাংশিংনা তাবা, ঙাংবা, পাবা অমসুং ইবগী মথং-মনাওসিদমক তম্বী

(3) পাবা অমদি ইবগী স্কীলশিংসি স্কুলদা পূক্লিং চিংশিনগদবনি

(4) লোনগী স্কীল মরিসি মরি লৈনৈ

www.prepp.in

Prepp
Your Personal Exams Gu

**95.** "কনাগী গ্রামারনো খংদনা অঙাংনা থুনা লোন [illegible]"

মসি কনানা হায়বনো ?

(1) মহারিশি পটানজলি

(2) লোর্ড স্বীট

(3) লোর্ড মেকোলে

(4) জিন পিয়াজেৎ

**96.** নংনা ক্লাসতা তম্বীরিবঙৈদা মহৈরোইশিংনা অরুবা ৱাহংশিং অমসুং খংদবশিং হংই। অসিগুম্বা ফিভমসিদা নং করি তৌগদগে ?

(1) খুদক্তা পারগা নংনা মহৈরোইশিংগী খংদবশিংদু তাক্কনি

(2) নংনা হংঙকপশিং অমদি খংদবশিংদু ইশিনলগা মথংগী নুমীত্তা তাকপিগনি

(3) নংনা লাইরিক্তগী পাউ হায়গনি অদুগা খংদবশিংদু কোন্না খন্নসি হায়গনি

(4) থকসি-খাসি লৈনবা সিগুম্বা ৱাহংহংগনু হায়গনি

**97.** নম্ফুদা মতম অতেনবদা য়াম্না পা[illegible] মহৈরোইদা করি মাংজবগে ?

(1) মখোয়গী লৌশিং হেনগৎহন্দে

(2) মশাগী থাজবা মাংহনলি

(3) ক্লাসকী তম্বদগী মখোয়সি লাপ্পা লৈ

(4) ৱাখল ফজনা থাদরগা য়েংবা ঙমহন্দে

**98.** লোন তম্বীবদা ইন্দক্তিভ মেথদকী খুদোংচাবা অমদি—

(1) মহৈরোইশিংনা হোমৱার্ক তৌরোই

(2) মতম অতেনবদা নম্ফুদা পাশিনবগী হৈনবী লাকহন্দে

(3) ক্লাসতা থকসি-খাসি লৈহল্লি

(4) মহৈরোইশিংনা অতেন্বা মতমদা য়াম্না তম্বা ঙম্মী

**99.** লোনসি খ্বাইদগী ফবা ______ ফোংদোকপগী অমদি ইশা ৱাখলগী মেডিয়মনি।

(1) শন্দোকপা

(2) খোমজিনবা

(3) ৱা হায়দোক-হায়জিন

(4) লোইনমক্কি

www.prepp.in

**100.** ইন্দিয়াগী অঙাং অমনা তমগদবসি—

(1) মমালোন

(2) মমালোন অমদি রিজনদুগী লোন

(3) মমালোন অমদি ইংলিশ

(4) অপান্বা লোন অহুম

**101.** ইনক্লুসিভ ক্লাসরুম অমদা লোন তন্বীবদা শিংনবা অমদি—

(1) চপ-চাবা লোন তম্বগী ফিভম অমা শাগৎপা ঙমদবনি

(2) তম্বগী মচাক ৱাৎপগীনি

(3) মহৈরোইশিংগী ঙমজবদা মান্নদবগীনি

(4) মহৈরোইশিংগী মরক্তা খেৎনবা অপান্বা লৈবগীনি

**102.** মখাদা পিরিবশিং অসিদগী করম্বনা মমালোন তন্বীবগী লৌশিং নত্তবগে ?

(1) মতিক চাবা লোনগী লৌশিং ফংবা

(2) মচাকশিংগী লৌশিং ফংবা

(3) খোনথোক্কী লৌশিং ফংবা

(4) লোনগী ইবগী মখল-মখা কয়াগী লৌশিং ফংবা

**103.** মখাগীশিংসিদগী করম্বনা তন্বীবগী [illegible] ?

(1) সেলেকসন মেথদ

(2) ইন্টরেস্ট মেথদ

(3) মোতিভেসন মেথদ

(4) মথক্কীশিংসি লোইনমক্কি

**104.** লোন তন্বীবদা ওডিও-ভিজুয়েল মচাকশিংনা কান্নহলিবসি—

(1) খোনথোক চুমথোকপদনি

(2) ইবদা চুমথোকপদনি

(3) পাবদা চুমথোকপদনি

(4) মথক্কীশিংসি অমত্তা নত্তে

**105.** অৱাৎপা মেনখৎনবা (remedial) তন্বীবগী মতন্বীনা—

(1) অৱাৎপশিংদুগী খংদোক্লবা হোৎনবদা অরুবা হেনগৎহল্লি

(2) অৱাৎপা লৌথোকপদা মাইপাকহনলি

(3) অৱাৎপশিংদু মওংতাদনা লৈহনলি

(4) অৱাৎপশিংদুদা লোনগী পথাপকী লৌশিংপি

*দিরেক্সন* : মখক্তা পীরিবা ৱারেং মতেক অসি পারগা পাউখুম পীয়ু (ৱাহং **106–114**) :

www.prepp.in

মীয়াম্না জননেতা হায়না খঙনখিবা হিজম ইরাবত পীক্লিথৈংদা মমা-মপা নৌনা কায়নখি। নহা ওইরিথৈংদগী হৌনা সমাজগী থবক থৌরম ফয়াদা শরূক য়াবা হৌরকখি। "নীংতম্বা হায়বসি মীওইবগী পোকপগা লোয়নরক্লবা অধিকারনি।" হায়বা লোকমান্য তিলককী খোল্লাউ অসি ইরাবতনা কননা থাজখি। মঙোন্দা তিলককী পুন্সি অমসুং থবক্কী মমি তাখি। মণিপুরী জাতিবু সেবা তৌনবা লিংখৎখিবা, হৌগৎলকপদা সমাজ অমসুং সংস্কৃতিগী সংস্থান ওইরম্বা, তুংদনা রাজনীতিগী শক্তম লৌরকখিবা 'নিখিল মণিপুরী হিন্দু মহাসভা' লিংখৎপদা ইরাবতনা অচৌবা থৌদাং লৌখি। সংস্থান অসিগী অহানবা সভা ১৯৩৪গী মেগী তাং ৩০দা সনা কোনুংগী রাসমণ্ডলগী অনৌবা মাণ্ডবতা ফমখি। সভা অসিদা ব্রহ্মদেশ অমসুং অসাম নচিংবা মফমদগী মণিপুরীশিংগী মীহুৎ য়াওখি। ১৯৩৬ ইংগী জনুৱারী তাং ২৬তগী ৩০ ফাওবা হরাও কুম্মৈগা লোয়নননা অচৌবা মীফম অমা ফমখি। মণিপুরগী ঐতিহাসিক ওইরবা সংস্থান অসিগী সেক্রেটরী ইরাবত সিংহনা ওইখি। কাছারগী মীফমদদি চুরাচান্দ মহারাজনা সভাপতি ওইখি। বর্মাগী মণ্ডলেদা ১৯৩৭কী ফেব্রুৱারী ২৮দগী মার্চ ২ ফাওবা ফমখিবা মীফমদদি ইরাবতনা সভাপতি ওইখি। মহাসভা অসিগী ১৯৩৮গী ডিসেম্বর ২৯দা ফমখিবা মীফমদদি রাজনীতিগী শক্তম লৌরক্লে। হিন্দু হায়বা ৱাহৈ অসি লৌথোক্লগা নিখিল মণিপুরী মহাসভা হায়না খঙনরে। ইরাবতকী মতম অসি মণিপুরী হিন্দু সমাজদা মাংই-শেংই তৌদুনা য়াম্না ওৎলম্মী। মসিগী মাইয়োক্তা ইরাবত অমসুং মহাসভাগী কর্ম্মীশিংনা কন্না থেংনরম্মী। করি করিগুম্বদা ইরাবতনা নিংথৌনা মাংঙি হায়না ইম্বোকপিরবা প্রজাশিংদুগী ঈশৈ হনবা ওইনা য়াওদুনা শোরাৎ শেৎনবী। ইরাবতকী পুন্সিদা অচৌবা অওনবা অমা লাকখিবদি ১৯৩৯গী নুপী লানগী মতমদনি। মতম অসি মিল মপুশিংনা চেং তক্লবা ফৌ য়াম্না ৱানশিনখিদুনা প্রজা মীয়াম্না ফৌ ৱানবা ফংনরক্তে। লোয়ননা ফৌগী মমলসু হেনগৎখ্রে। নুপী ময়াম হৌদুনা মিল থিংউ অমসুং মপান্দা চেং থাদোক্কনু হায়না হৌরম্মী। অসিগী [illegible] ডিসেম্বর ১২দা অসাম রাইফলগী সিফাইনা সঙ্গিননা থিন্দুনা নুপী কয়ামরুম শোকখি। মসিবু মণিপুরগী ইতিহাসতা নুপী লাল হায়না খঙনরি। মতম অসিমক্তী ইরাবত মহাসভাগী থবক্কীদমক কাছারদা লৈরম্মী।

**106.** "নীংতম্বা হায়বসি মীওইবগী পোকপগা লোয়নরক্লবা অধিকারনি।" খোল্লাও অসি কনাগীনো ?

(1) ইরাবতকীনি

(2) মহাত্মা গান্ধিগীনি

(3) সুভাসচন্দ্র বোসকীনি

(4) লোকমান্য তিলককীনি

**107.** ইরাবতকী পুন্সি অমসুং থবক্তা কনাগী মমি তাখিবগে ?

(1) মহাত্মা গান্ধি

(2) জৱাহারলাল নেহরু

(3) সোরোকখাইবম ললিত

(4) লোকমান্য তিলক

**108.** মণিপুরী জাতিবু সেবা তৌনবা লিংখৎখিবা মহাসভা অদুগী মমিং করি কৌই

(1) নিখিল মণিপুরী হিন্দু মহাসভা

(2) ভারতীয় কম্মুনিস পার্টি

(3) ব্রাহ্ম সভা

(4) অমত্তা লীংখৎলমদে

**109.** মহাসভাগী অহানবা মীফম মফম কদাইদা ফমখিবগে ?

(1) অসামগী কোনুংদা

(2) মণিপুর অমসুং অসামগী লোন্নবা মফম অমদা

(3) কোনুংগী রাসমণ্ডলগী অনৌবা মাণ্ডবতা

(4) লৈবাক্কী ৱায়েলশং মনুংদা

**110.** নিখিল হিন্দু মণিপুরী মহাসভাগী করম্বা মীফমদা চুরাচান্দ মহারাজনা সভাপতি ওইখিবগে ?

(1) কাছারদা

(2) মণিপুরদা

(3) কোনুংদা

(4) সিলেটদা

**111.** ইরাবতকী মতম অসি মণিপুরী সমাজদা মীবু ওৎপা অকনবা চৎনবী অমা লৈরম্মী চৎনবীদু করিনো ?

(1) মীগা মীগা নুংশিনবা

(2) জাৎ অমগা অতোনবা জাৎকা লৌন-লৈনবা য়াদবা

(3) মাংই-শেংই খায়বা

(4) অমনা ঙাংবা অমনা তানদবা

**112.** ইরাবতকী মতমদা নুপী লান [illegible] থোকখি—

(1) ১৮৩৯

(2) ১৭৩৯

(3) ১৯৩০

(4) ১৯৩৬

**113.** মিল থিংউ অমসুং মপানদা চেং থাদোক্কনু—করি ৱাহৈ পরেংনো—

(1) কমপ্লেক্স

(2) কম্পাউন্দ

(3) ইন্টরোগেতিব

(4) নেগেতিব

**114.** "ফৌগী মমলসু হেনগৎখ্রে"

ৱাহৈ পরেং অসিদা নাউন কয়া য়াওবগে ?

(1) অমা

(2) অনি

(3) অহুম

(4) মরী

*দিরেক্সন* : শৈরেং অসি পারগা মখাদা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম পীয়ু (ৱাহং **115–120**) :

www.prepp.in

চাক্লিবনি ঐ চাক্লিবনি
নিবনা ঐগী ইথৌনি
নিবদা ফংবনা থৱায়নি
ঐনা নিরি নঙনা পিরি।

পীবনা নঙগী থৌরাংনি
নিবনা ঐগী থৌওংনি
নিবদা ফংবনা থৱায়নি
ঐনা নিরি নঙনা পিরি

নিদ্রবসু পীরি—ঐগী থৱায়
ঐগী হকচাং ঐগী ৱাখল।

**115.** "চাক্লিবনি ঐ চাক্লিবনি" পীরিবা শৈরেং অদু মুন্না পারগা খুন্মু—'ঐ' হায়রিবসি কনানো ?

(1) কবিনি

(2) কোয়না চৎলিবদুনি

(3) অঙাংনি

(4) খঙদে

**116.** চাক্লিবগী মথৌ করিনো ?

(1) নিরগা চাবনি

(2) ঈশৈ শকপনি

(3) ফত্তবা খুনবনি

(4) খৎনবা হৌবনি

**117.** চাক্লিবনা নিবদা ফংবসি করিনো ?

(1) চানবা ফংবনি

(2) শেৎনবা ফি ফংবনি

(3) থৱায়নি

(4) করিমত্তা ফংবা ঙমদে

**118.** শৈরেং অসিদা কনানা নিরি ?

Prepp
Your Personal Exams Gu

(1) কবিনা নিরি

(2) কারবারৱালানা নিরি

(3) রাজনিতীৱালানা নিরি

(4) চাক্লিবনা নিরি

**119.** শৈরেং অসি মুন্না পারগা খুন্মু। শৈরেংশিদা য়াওরিবা 'নঙ' হায়রিবসিগী নুংগী অর্থদা কনানা ইয়ু

(1) কবিনি

(2) প্রজানি

(3) নিংথৌনি

(4) ঈশ্বরনি

**120.** 'হকচাং' ৱাহে অসি করি নাউননো ?

(1) এব্‌সত্রেক নাউন

(2) প্রোপর নাউন

(3) কম্মন নাউন

(4) এডজেক্টিভেল নাউন

কেন্দিদেটশিংনা **MANIPURI Language–II** লৌরবদি **পার্ট–V** গী **(ৱাহং 121–150)** ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি ।

Candidates should attempt the questions from **Part–V (Q. Nos. 121–150)**, if they have opted **MANIPURI** as **Language–II** only.

www.prepp.in

Prepp
Your Personal Exams Gu

# Part—V / কাখন—V

## Language—II / লোন—II

## Manipuri / মণিপুরী

কেন্দিদেটশিংনা **MANIPURI Language–II** লৌরবদি **পার্ট–V** গী **(ৱাহং 121–150)** ফাওবগী পাউখুম পিনবা হোৎনগদবনি।

*দিরেক্সন* : মখাগী ৱাহংশিংসিগী মখাদা পীরিবা ওপসনশিং অসিদগী খ্বাইদগী চান্নবদু খল্লগা পাউখুম পীয়ু (ৱাহং **121–135**) :

**121.** ইনক্লুসিভ ক্লাসরুম অমদা মহৈরোইশিংনা অয়াম্বা মতমদা অরাম্বা তৌবসি—

(1) পাবদনি

(2) ইবদনি

(3) ঙাংবদনি

(4) মথক্কীশিং লোইনমক্কি

**122.** "গ্রামারসি লোনচৎ-শাজৎ (behavioural) অমদি ৱাখলগী (theoretical) ওইবনি।" মসি করম্বা মওংদা নংনা য়াবগে ?

(1) পুন্না য়াই

(2) মচেৎ ওইনা য়াই

(3) য়াদে

(4) য়াবসু য়াই য়াদবসু য়াই

**123.** অপর প্রাইমারি নত্রগা সেকেন্দরি থাক্তা মহৈরোইশিংগী অপাম্বা হেনগৎহন্নবগীদমক দরকার লৈরিবসি—

(1) মহৈরোইশিংদু লাইরিক পাউ হায়গদবনি

(2) মহৈরোইশিংদুদা হেন্না হেন্না ঙাংলগা তাকপীগদবনি

(3) মহৈরোইশিংদুদা হেন্না ডিকক্তেসন তৌহনগদবনি

(4) মহৈরোইশিংগী গ্রামার হেনগৎহনগদবনি

**124.** মখাগীশিংসিদগী করম্বনা ওরেল প্রজেন্টেসনগা চান্নদবগে ?

(1) খোন্না (voice) ঙাংবা (presentation)

(2) শৈরেং থিবা

(3) মাইগা মাইগা ওনশিন্নরগা ঙাংবা

(4) সাইন লোন্দা শিজিন্নবা

**125.** "মীওইবগী লৌশিংগ্যান হেনগৎহন্নবগী মমালোন মরু ওইবদৌনা মমাগী খোমলাংসু মরু ওই।" মসি কনানা হায়বনো ?

(1) রাজরিশি তোনদোন

(2) রোইর্বন

(3) মহাত্মা গান্ধি

(4) ভিভেকানন্দ

**126.** মহৈরোইশিংসি মখোয়না মুন্না খংদবা লোন অমদা তম্বীরবদি—

(1) ফজনা পুক্লিং চংবসি ওইথোক্তে

(2) মহৈরোইশিংনা নম্ফুদা পাবা অমসুং চিন্ফা পুবগী হৈনবী লাকই

(3) মহৈরোইশিংনা লাইরিক তম্বদা হৈনিংবা ৱাৎলকই

(4) মথক্কীশিংসি লোইনা চুম্মী

prepp Your Personal Exam Guide

**127.** লোন তম্বীবদা ৱাখলদা ফজনা চংহনলগা তম্বগী [illegible]—

www.prepp.in

(1) তাবগা অমসুং পাবগনি

(2) তাবখক্তনি

(3) পাবখক্তনি

(4) ইবাখক্তনি

**128.** লোন তম্বীবদা খ্বাইদগী ৱাবসি—

(1) অতেনবা মতমদা লৌশিং হেন্না পিবনি

(2) তম্বগী মচাকশিংদা হেন্না লুবা মচাকশিং ফজনা তাকপদুনি

(3) পারাদা মহৈরোইশিংগী পূক্লিং চিংশিনবনি

(4) তম্বীবদা ওজাশিংনা হেন্না হোৎনদবনি

**129.** "হেন্না লৌশিংশিংবা মহৈরোইশিংগী খোনথোক অমসুং ৱাহৈশিং হেন্ন লৈ।" মসি কনানা হায়বনো ?

(1) টরমেন

(2) ফিশর

(3) থামবা

(4) মখোয় অহুমক্না হায়বনি

**130.** ৱাহৈগী ৱাহনথোক পীবগী মহু[illegible]
মতম্বীসি—

(1) ৱাহৈশিং শুগাইনা তাকপনি

(2) ডিক্সনারিদগী য়েংবনি

(3) ৱাহৈদু ৱাহৈপরেংদা হাপ্লগা শিজিন্নরগা যাত্রা
য়েংবগী তাঞ্জা পিবনি

(4) লোন তম্বীবদা ৱাহৈগী ৱাহনথোক তাক্কদবনি

**131.** ছাপা নম্বা লাইরিক য়াওদনা অনিশুবা লোন
তম্বীবগী মতাংদা মখাগীশিংসিগী করম্বনা মতেং
পাংবগে ?

(1) নেচরেল এপ্রোচ

(2) লেঙ্গৈইজ ইম্মরসন

(3) গ্রামার ত্রান্সলেসন মেথদ

(4) সিচুয়েসনেল এপ্রোচ

**132.** লান্না পাবগী হৈন্নবগী মরম অমদি—

(1) মলটিলিঙ্গ্যালিজমনি

(2) বাইলিঙ্গ্যালিজমনি

(3) অচিনবা ক্লাসনি

(4) পাবদা খুদোম্বী শিজিন্নদুনা মীত্তা তাকপদুনি

www.prepp.in

**133.** মখাগীশিংসিদগী করম্বনা তম্বীবগী অমদী তম্বগী [illegible] word knowledge methodতগী খংদোকপগে ?

(1) ৱাহৈ পরেং শেম্বগী মথং-মনাওদা মতেং পাংবনা ওই

(2) অচুম্বা খোনথোক্লা ওইহনলি

(3) অঙাংশিংনা শুগাইনা তাকপগী অৱাবা মাইয়োক্লদে

(4) মথক্কীশিংসি লোইনমক্কি

**134.** মখাশিংসিদগী লোনগী স্কীলগা মরি লৈনদবদু করম্বনো ?

(1) পাবা

(2) ইবা

(3) তাবা

(4) লোন্দা অপাম্বা লৈবা

**135.** লোন হেনগৎহনবদা শোকহনলিবা মরমসি

(1) হকচাংননি

(2) লৌশিং-গ্যান্ননি

(3) মী অমগা-অমগা খেন্নবননি

(4) মথক্কীশিংসি লোইনমক্কি

*দিরেক্সন* : মখাদা পীরিবা ৱারেংশি মুন্না পারগা [illegible] অসিগী খ্বাইদগী চান্নবা পাউখুম পীয়ু (ৱাহং **136–143**) :

পৃথিবীগী মফম অতৈদা হৌদবা মণিপুরখক্তদা হৌবা, মণিপুরগী লৈহাও অমদি ঈশিং নুংশিৎকা চানবা, ঈশ্বরনা মণিপুরগীদমক পীবা খুদোল অমনি কৌনা। বোতানিকেল মিংদা *Scirpus Lacustris* হায়না খঙনৈ। কৌনা অসি ঈশিংদা হৌবা পাম্বীনি। চহী খরসিদা কৌনানা শাবা পোৎলম কয়া শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা পুথোক্লে। কৌনানা শাবা পোৎলমশিং অসি ভারত্তা য়াম্না পাম্না লৈনৈ। হৌজিক্তি ভারত্তা নত্তনা য়ু.কে., সিঙ্গাপুর, ফ্রান্স, য়ু.এস.এ., মালেসিয়া, জর্মনীনচিংবা লমশিংদফাও য়োনবা ঙম্লে। শন্না হায়রবদা কৌনাগী পোৎথোকশিং অসি এক্সপোর্ত তৌবা ঙম্লবা হেন্দিক্রাফকী আইতেম অমা ওইরে হায়বা য়ারে। অশংবা কৌনা পাম্বীশিংনা কংহল্লবা মতুংদা মখল মখলগী পোৎথোক কয়া পুথোরকই। শন্না হায়রবদা কৌনাগী পোৎথোক অসি মণিপুরগী কলচরগা থাদোক্লবা য়াদবা অমা মমাংঙৈদগী হৌজিক ফাওবদা ওইরক্লি। মণিপুরদা শাবা হেন্দিক্রাফকী পোৎথোকশিং অসি মখল অহুমথোক্লা য়েংবা, য়াই—অমনা ইপা-ইপু, পরম্পরাদগী শাররক্লবা, শিজিন্নরক্লবা। খুদম-লী-ৱানা শাবা লৈবাক্লা শাবা, খুৎনা লোনবা, কৌনানা শাবা পোৎলমশিং অনিশুবদা-থায়নদগী শিজিন্নরক্লবা, হৌজিক্কী মীরোলনদি ইখঙ খঙদবা পোৎমশিং, খুদম ওইনা লশিং ফি, ফিঙাইরুক, শাফি-লানফি, শারোং শুক শুম্বল অসিনচিংবা অহুমশুবদা হান্না শুক্লে লৈরমদবা, সুকশী শিজিন্নরমদবা হৌজিক্তা ইনৌ নৌনা পুথোরকপা, শীজিন্নরকপা হেন্দিক্রাফকী পোৎথোকশিং হায়বা অমা, খুদম ওইনা শামতুনা শাবা খোঙউপ, ৱুলন-শু, নাপী-মপালশিং কৌনানা শাবা সিত কুসন, হেন্দবেগ অমদি অতৈ লৈতেংগী পোৎলমশিং অসিনচিংবনি। হৌজিক্তি কৌনানা শাবা পোৎথোকশিং অসি থায়না ইপা-ইপু হাক্তগী হৌনা শীজিন্নরকপদা নত্তনা অনৌ অনৌবা পোথোক কয়া পুথোক্তুনা ৱার্লড মার্কেৎতা ফাওবা পুথোকপা ঙমলবা পোৎথোকশিং ওইরে। মণিপুরদা চাউরাক্লা লম হেক্তর ১০০০ রোমদা কৌনা

হৌরি। হান্নদি কৌনা অসি শুপ্নতগী ফকশাঙ ফকতেন লাইখুরম ফক, ফমেন ফক অসিখক্তমক শানরম্মী। অদুনা কৌনাশি পৎ-পুমদুনফাও মাঙনরম্মী। ঙসি অমসুং হৌজিক্কী মতমদদি কৌনাগী অনৌ অনৌবা পোৎলম কয়া মওং তানা মীনা পাম্নবা শারে। কৌনা মনা মচেৎ অমফাওবা মাংহন্দনা শীজিন্নবা য়ারে। ফক শাবগী কৌনা মকক, মতেক অরেম-অপানা পেন্সিল-কলম থম্নবা পেন স্তেন্দনচিংবা শাদুনা সুকমাঙ হেক মাঙহন্নদ্রে। মণিপুরদা চাউরাক্লা কৌনানা শাবা পোৎলম তরানিপালমুক লৈ। কৌনানা শাবা পোৎলমশিং অসি ইকো-ফ্রেন্দলী ওইবা, নিংথম-কালেন ঋতু অনীমক্তা অইং-অশাগী খল মান্ননা থম্বা ঙম্বা মরম্না লাইরিক-লাইশু হৈবা, হকশেলগী কাঙলোন খঙবা মীওইশিংনা থওইনা কৌনাগী পোৎলমশিংসি কোয়থি থিদুনা লৈ অমদি চহী-চুপ্পা শীজিন্নৈ।

**136.** মণিপুরগী ঈশিং নুংশিৎকা চানবা ঈশ্বরনা মণিপুরগীদমক পীবিরম্বা খুদোল অমা লৈ মদু করিনো ?

(1) জগোই-ঈশৈ

(2) থাং-তা

(3) কৌনা

(4) লশিং

**137.** ভারত্তা নত্তনা য়ু.কে., শিঙ্গাপুর, ফ্রান্স, য়ু.এস.এ., মালেসিয়া অমদি জর্মননচিংবা লমশিংদফাওবা য়োনবা ঙম্লকবা মণিপুরগী হেন্দিক্রাফকী আইতেম অদু করিনো ?

(1) খুৎনা শাবা লাইফদিবী

(2) কৌনানা শাবা পোৎশিং

(3) মরিংনা শাবা থুম্মোক

(4) ৱানা শাবা পোৎ-চৈশিং

**138.** মণিপুরদা শাবা কৌনাগী পোখোক[illegible] কয়া থোক্লা য়েংবা য়াই ?

(1) অমা থোক্লা য়েংবা য়াই

(2) অনি থোক্লা য়েংবা য়াই

(3) অহুম থোক্লা য়েংবা য়াই

(4) মরী থোক্লা য়েংবা য়াই

**139.** কৌনানা শাবা পোৎশিং অসি করম্বা মতমদগী শীজিন্নরক্লে ?

(1) হৌজিক্তা ইনৌ নৌনা

(2) ২০ শুবা চহীচাদগী

(3) থায়না ইপা-ইপু হাক্তক্তগী

(4) শীজিন্নবা হৌরমদ্রি

**140.** মণিপুরদা লম হেক্তর কয়ামুক্তা কৌনা থানবগে ?

(1) ১০০০

(2) ১০০০০

(3) ২০০০

(4) ৩০০০



www.prepp.in

**141.** লাই খুরম্বদা শীজিন্নরিবা ফক অতেনবা অদু করি

www.prepp.in

কৌবগে/ খংবিনো—

(1) থৌরীনা শাবনি

(2) কৌনানা শাবনি

(3) লংনা শাবনি

(4) য়ুবী মকুনা শাবনি

**142.** মণিপুরদা চাউরাক্লা কৌনানা শাবা পোৎ মখল কয়ামুক পুথোক্লবগে ?

(1) নিপালমুক

(2) তরানিথোইমুক

(3) তরানিপালমুক

(4) কুনমামাথোইমুক

**143.** নিংথম কালেন অনীমক্তা অইং আশাগী খল চপ মান্ননা শীজিন্নে হায়দুনা মীয়াম্মা পাম্মা শীজিন্নরিবা পোৎ অদু করিনো ?

(1) কৌনানা শাবা পোৎলমশিং

(2) লশিং ফিনা শাবা পোৎলমশিং

(3) লৈবাকনা শাবা পোৎলমশিং

(4) প্লাস্তিকনা শাবা পোৎলমশিং

*দিরেক্সন* : মখাদা পীরিবা ৱারেংশি মুন্না পারগা পীরিবা ৱাহংশিংগী অসিগী খ্বাইদগী চান্নবা পাউখুম পীয়ু (ৱাহং 144–150) :

তরামাপলশুবা শতাব্দীগী লোইরমদাইদা মারকোনিনা ৱাইয়ারলেস টেলিগ্রাফি পুথোকখিবদগী পৃথিবীগী মফম অমদগী অতোপ্পা মফম অমদা থুনা ঈ-পাও থাদোক থাজিনবা তৌবগী খুদোংচাবা ফংলরে। পৃথিবীগী অথাপ্পদা লৈবা মফমশিং অসি অমগা অমগা য়াম্না নকশিন্নবগুম তৌহল্লে। ইং ১৯৫৭তা রুশিয়ানা খুৎশেমগী উপগ্রহ অমা থাগৎতুনা পৃথিবীদা ইহান হান্না কোয়হনখি। মদুদগী হৌরদুনা খুৎশেমগী উপগ্রহনা হীরম কয়াদা মীওইবগী কান্ননবা তৌররে। ঈ-পাও থাদোক থাজিনবা তৌবা, টেলিভিসন প্রোগ্রাম শন্দোকপা, ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম মাওজৌনবা খঙদোকপা, লৌউ-শিংউবগী-লমশিংগী পাক-চাওবা, মতমগী মতুংইন্না উমং-ৱামং, খুঙ্গং অমদি সহরশিংগী হোংলক্লিবা ফিভম, লৈবাক্কী লৈহাক্তগী ফিভম্নচিংবা খঙনবা হোৎনবদা খুৎশেমগী উপগ্রহনা কান্নবা য়াম্না পীররে। কুনশুবা শতাব্দীগী বিজ্ঞান অমসুং মীওইবগী ৱাখলদা খ্বাইদগী অহোংবা পুরকখিবদি আইন্সটাইনগী (১৮৭৯–১৯৫৫) থিওরি ওফ রিলেটিভিটিননি। আইন্সটাইননা স্পেস অমদি টাইম অসি তৎন-থানবা য়াদ্রবা অপুনবা শক্লোন অমদা শেমগৎখি। ইং ১৯৪২গী ডিসেম্বর থাদা এতোমদগী শক্তিবু ইনরিকো ফরমি (১৯০১–১৯৫৪) অমদি মাগী কাংবুনা মীওইবনা কন্ট্রোল তৌবা ইহান হানবা নিউক্লিয়ার পুথোকপা, অনাবা লাইয়েংবা অমদি লৌউ-শিংউবগী হীরমশিংদা হায়নিংঙাই লৈতনা কান্নবা পীররে। বিজ্ঞানগী অসিগুম্নবা এতোমগী শক্তিনা মীওইবদা খ্বাইদগী লাইবক থিহনখিবদি ১৯৪৫গী আগষ্ট থাদা পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাও মনুংদা জাপানগী হিরোশিমা অমদি নাগাশাকি সহর অনিদা অমেরিকানা এতোম বোম থাদদুনা মীওই লাক্ষ কয়াগী পুন্সি মাংহনখিবা অসিনি। মীওইবগী চাওখৎ খোঙথাংদা হায়নিংঙাই লৈতনা কান্নরবা বিজ্ঞানগী পোৎলমশিং অমদি ৱাখল্লোনবু লান্না শীজিন্নরকপা অসি মাঙ-তাক্লিংঙাইগী মশক্নি। পৃথিবীগী শক্তিশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্নদুনা মসি থিংনবা হোৎনগদবনি।

www.prepp.in

পৃথিবীগী অনিশুবা লাঞ্জাও মনুংদা ইলেক্ট্রোনিক কম্পুটর পুথোরকপদগী কম্পুটর অসি হৌজিক্কী মতমদা হীরম খুদিংমক্তা শীজিন্নরে। কম্পুটরগী মতেংনা লুরবা অঙ্কশিং য়াম্না থুনা হোংহনবা ঙমই। এরোপ্লেন অমদি মিসাইলশিংগী অফবা অমদি ফত্তবা কম্পুটরগী মতেংনা হান্না খঙদোকপা ঙমই। গাইডেদ মিসাইলশিংনা চৎকদবা লম্বী লমজিংবা অমদি ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম মাঙজৌননা খঙহনবদা কম্পুটর শীজিন্নরি। রেলৱে অমদি এরোপ্লেনগী টিকেট রিজার্বেসন তৌবা, লৈবাক অমগী শেল থুমগী ফিভম মাঙজৌননা খঙহন্ননবা হোৎনবদা কম্পুটরনা হায়ঙমদনা কান্নবা পীরি। অনা-লায়েংগী হীরমশিংসু কম্পুটর শীজিন্নরি। অসিদসু নত্তনা মহৈ তম্ফমশিং অমদি লাইব্রেরিনচিংবদসু কম্পুটরনা কান্নবা পীরি। জীববু নুংশিবা হায়বা ৱাখল অসি বিজ্ঞান হৈরবশিংগী মফমদসু পোকহন্দুনা মীওইবগী মাঙনবা পুম্না কন্ট্রোল তৌবা দরকার ওই।

**144.** তরামাপলশুবা শতাব্দগী লোইরমদাইদা মারকোনিনা করি পুথোকখিবগে ?

(1) কম্পুটর

(2) ষ্টেথেস্কোপ

(3) ৱাইয়ারলেস

(4) টেলেস্কোপ

**145.** পৃথিবীদা ইহান হান্না খুৎশেমগী উপগ্রহ অমা রুসিয়ানা থাগৎখিবদু করি চহিদনো ?

(1) ইং ১৯৫৪

(2) ইং ১৯৫৬

(3) ইং ১৯৫৮

(4) ইং ১৯৫৭

**146.** থিওরি ওফ রিলেটিভিটি কনানা পুথোকখি ?

(1) আইন্সটাইন

(2) গেলীলীও

(3) ভেনকতরমন

(4) অব্দুল কলাম

**147.** ১৯৪৫ এতোমগী শক্তিনা মী[illegible] লাইবক থিহনখিবা লৈবাক অদু করি কৌই ?

(1) আমেরিকা

(2) জপান

(3) ফ্রান্স

(4) জর্মন

**148.** বিজ্ঞানিকশিংনা পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাও মনুংদা করি পুথোকখি ?

(1) মিসাইল

(2) খুৎশেমগী উপগ্রহ

(3) ইলেক্ট্রোনিক কম্পুটর

(4) টেলেস্কোপ

**149.** এরোপ্লেন অমদি মিসাইলশিংগী অফবা অমদি ফত্তবা করম্না খন্দোক্কনি ?

(1) বিজ্ঞানিকশিংনা

(2) পাইলোটশিংনা

(3) কম্পুটরনা

(4) খন্দোকপা ঙমদে

**150.** 'কোয়হনখি' হায়বা ৱাহৈশিদা সিলেবল কয়া য়াওই ?

(1) অমা

(2) অনি

(3) মঙা

(4) অহুম

www.prepp.in
Prepp
Your Personal Exams Guide

Prepp Your Personal Exam Guide

www.prepp.in

SPACE FOR ROUGH WORK

Your Personal Exams Gu

Your Personal Exam Guide

*মখাদা পীরিবা নীতি-নিয়মশিং (Instructions) অসি য়াম্না চেকশিন্না পাউ :*

www.prepp.in

Prepp
Your Personal Exams Guide

1. মখাদা পীরিবা ৱাহংশিংশি পাউখুম পীদ্রিঙৈগী মমাংদা চেকশিন্না পাগনি। মতুংদা টেষ্ট বুকলেটকী য়াওরিবশিং অদুগী পাউখুম পীগনি।

2. OMR অন্সর শীটকী অনীশুবা নাকন্দা ৱাহং খুদিংমক্কী পীরিবা কলম (Column) মরিদুগী মনুংদা শুপ্নগী অচুম্বনি খল্লবা মফম অদুখক্তদা **ব্লেক/ব্লু বোল পোইন্ট পেননা** ময়েক শেংনা মার্ক (Mark) তৌগদবনি। অতোপ্পা মফম অমদা অনীশুবা মার্ক তৌবা য়াদে।

3. কেন্দিদেটশিংনা অন্সর শীটতু থুপচিনবা, থেকচিনবন চিংবগী মওং অমত্তা তৌবা য়াদে। অন্সর শীটতা রোল নম্বর ইননবগীদমক্তা থমলিবা মফম অদুখক্তদা নশাগী রোল নম্বর ইগদবনি। অতোপ্পা মফম অমত্তদা ইশিনবা, য়েকশিনবা তৌবা য়াদে।

4. টেষ্ট বুকলেট (কোইসন পেপর) অমসুং অন্সর শীট অদু য়াম্না চেকশিনগদবনি, করিগুম্বা মরম অমত্তদসু (শুপ্নগী টেষ্ট বুকলেট অমদি অন্সর শীটকী নম্বর মান্নরমদবদগী শিন্দোকপা নত্তনা) অনীদু শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌবা য়ারোই।

5. কেন্দিদেটশিংনা টেষ্ট বুকলেট অমদি অন্সর শীটকী Code অমসুং নম্বর অদু (Attendance Sheet)তা ময়েকশেংনা চুন্না ইগদবনি।

6. OMR পাউখুমচে অদু মেচিন্না পাগনি এডমিত কার্দতা পিখিবা ইনফোরমেসন অদুগা খেন্নবা লৈহল্লোইদবনি। অদুনা ইনফোরমেসন অদু মপুং ফাদনা থমলমলোইদবনি।

7. কেন্দিদেটশিংনা পরিক্ষা হোল/roomদা মশাগী Admit Card নত্তনা করিগুম্বা মখলগী লাইরিক, অনম্বা চে-চাং, পেজর, মোবাইল ফোন, ইলেকত্রোনিক্স ডিভাইস নচিংবা পোৎ অমত্তা পুশিনবা য়াদে।

8. মোবাইল ফোনশিং, ই-পাও ফাওদোক্নবা খুৎলাইশিং (সুইচ ওফ তৌরগফাওবা), অতোপ্পা পাম্বৈশিং পরিক্ষা হোল/room মনুংদা পুরকপা য়াদে। ৱারোলশিং অসি ইন্দ্রবদি নত্তবা পাম্বৈ শিজিন্নৈ হায়দুনা পরিক্ষাদগী তাপ্তোকপা য়াওনা এক্সন লৌখৎকনি।

9. ইনভিজিলেটরনা হংলকপগা কেন্দিদেটশিংনা মশা-মশাগী Admit Card পুথোক্কদবনি।

10. কেন্দিদেট অমত্তনা সুপরিনটেন্দেন্ট নত্রগা ইনভিজিলেটরগী অয়াবা য়াওদনা মশাগী ফমফম থাদোকপা য়াদে।

11. কেন্দিদেটশিংনা মশাগী অন্সর শীটতু ইনভিজিলেটরদা পীরমদনা অমদি এটেন্দেন্স শীটতা অনীরক হন্না sign তৌরমদনা পরিক্ষা হোল/room থাদোকপা য়ারোই। মশাগী অন্সর শীটতু পীরম্লবসু এটেন্দেন্স শীটতা অনীরক হন্না sign তৌরমদ্রবা কেন্দিদেটশিংদি unfair meansকী case ওইনা লৌগনি।

12. পরিক্ষা হোল/room মনুংদা ইলেক্ট্রোনিক/মেন্যুল কালকুলেটর শীজিন্নবা য়াদে।

13. কেন্দিদেটশিংনা পরিক্ষা হোল/room মনুংদা পরিক্ষা থারিবৈদা বোর্ডকী Rules and Regulations ঙাক্না চৎকদবনি। Unfair means নচিংবা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোকলকপদা বোর্ডকী Rules and Regulationsকী মতুংইন্না ৱারেপ লৌগনি।

14. টেষ্ট বুকলেট নত্রগা অন্সর শীটকী করিগুম্বা মফম অমত্তদা শেগায়-তুগায়বনচিংবা তৌবা য়ারোই।

15. **পরিক্ষা হেক লাইবগা কেন্দিদেটশিংনা মাগী-মাগী অন্সর শীটতু পরিক্ষা হোল/roomদুদা লৈরিবা ইনভিজিলেটরদুদা খুৎশিন্নরম্লগা মশা-মশাগী টেষ্ট বুকলেটতু পুরগা থোকখিগদবনি।**

www.prepp.in

Prepp
Your Personal Exams Guide

## निम्नलिखित निर्देशों को ध्यान से पढ़ें :

1. जिस प्रकार से विभिन्न प्रश्नों के उत्तर दिए जाने हैं उसका वर्णन परीक्षा पुस्तिका में किया गया है, जिसे आप प्रश्नों का उत्तर देने से पहले ध्यान से पढ़ लें।
2. प्रत्येक प्रश्न के लिए दिए गए चार विकल्पों में से सही उत्तर के लिए OMR उत्तर-पत्र के **पृष्ठ-2** पर केवल एक वृत्त को ही पूरी तरह **काले/नीले बॉलपॉइंट पेन** से भरें। एक बार उत्तर अंकित करने के बाद उसे बदला नहीं जा सकता है।
3. परीक्षार्थी सुनिश्चित करें कि इस उत्तर-पत्र को मोड़ा न जाए एवं उस पर कोई अन्य निशान न लगाएँ। परीक्षार्थी अपना अनुक्रमांक उत्तर-पत्र में निर्धारित स्थान के अतिरिक्त अन्यत्र न लिखें।
4. परीक्षा पुस्तिका एवं उत्तर-पत्र का ध्यानपूर्वक प्रयोग करें, क्योंकि किसी भी परिस्थिति में (केवल परीक्षा पुस्तिका एवं उत्तर-पत्र के संकेत या संख्या में भिन्नता की स्थिति को छोड़कर) दूसरी परीक्षा पुस्तिका उपलब्ध नहीं करायी जाएगी।
5. परीक्षा पुस्तिका/उत्तर-पत्र में दिए गए परीक्षा पुस्तिका संकेत व संख्या को परीक्षार्थी सही तरीके से हाजिरी-पत्र में लिखें।
6. OMR उत्तर-पत्र में कोडित जानकारी को एक मशीन पढ़ेगी। इसलिए कोई भी सूचना अधूरी न छोड़ें और यह प्रवेश-पत्र में दी गई सूचना से भिन्न नहीं होनी चाहिए।
7. परीक्षार्थी द्वारा परीक्षा हॉल/कक्ष में प्रवेश-पत्र के सिवाय किसी प्रकार की पाठ्य-सामग्री, मुद्रित या हस्तलिखित, कागज की पर्चियाँ, पेजर, मोबाइल फोन, इलेक्ट्रॉनिक उपकरण या किसी अन्य प्रकार की सामग्री को ले जाने या उपयोग करने की अनुमति नहीं है।
8. मोबाइल फोन, बेतार संचार युक्तियाँ (स्विच ऑफ अवस्था में भी) और अन्य प्रतिबंधित वस्तुएँ परीक्षा हॉल/कक्ष में नहीं लाई जानी चाहिए। इस सूचना का पालन न होने पर इसे परीक्षा में अनुचित साधनों का प्रयोग माना जाएगा और उनके विरुद्ध कार्यवाही की जाएगी, परीक्षा रद्द करने सहित।
9. पूछे जाने पर प्रत्येक परीक्षार्थी, निरीक्षक को अपना प्रवेश-पत्र दिखाएँ।
10. केन्द्र अधीक्षक या निरीक्षक की विशेष अनुमति के बिना कोई परीक्षार्थी अपना स्थान न छोड़ें।
11. कार्यरत निरीक्षक को अपना उत्तर-पत्र दिए बिना एवं हाजिरी-पत्र पर दुबारा हस्ताक्षर किए बिना परीक्षार्थी परीक्षा हॉल/कक्ष नहीं छोड़ेंगे। यदि किसी परीक्षार्थी ने दूसरी बार हाजिरी-पत्र पर हस्ताक्षर नहीं किए, तो यह माना जाएगा कि उसने उत्तर-पत्र नहीं लौटाया है और यह अनुचित साधन का मामला माना जाएगा। **परीक्षार्थी अपने बाएँ हाथ के अँगूठे का निशान हाजिरी-पत्र में दिए गए स्थान पर अवश्य लगाएँ।**
12. इलेक्ट्रॉनिक/हस्तचालित परिकलक का उपयोग वर्जित है।
13. परीक्षा हॉल/कक्ष में आचरण के लिए परीक्षार्थी बोर्ड के सभी नियमों एवं विनियमों द्वारा नियमित हैं। अनुचित साधनों के सभी मामलों का फैसला बोर्ड के नियमों एवं विनियमों के अनुसार होगा।
14. किसी हालत में परीक्षा पुस्तिका और उत्तर-पत्र का कोई भाग अलग न करें।
15. **परीक्षा सम्पन्न होने पर, परीक्षार्थी हॉल/कक्ष छोड़ने से पूर्व उत्तर-पत्र निरीक्षक को अवश्य सौंप दें।** ***परीक्षार्थी अपने साथ इस परीक्षा पुस्तिका को ले जा सकते हैं।***

## READ THE FOLLOWING INSTRUCTIONS CAREFULLY :

1. The manner in which the different questions are to be answered has been explained in the Test Booklet which you should read carefully before actually answering the questions.
2. Out of the four alternatives for each question, only one circle for the correct answer is to be darkened completely with **Black/Blue Ballpoint Pen** on **Side-2** of the OMR Answer Sheet. The answer once marked is not liable to be changed.
3. The candidates should ensure that the Answer Sheet is not folded. Do not make any stray marks on the Answer Sheet. Do not write your Roll No. anywhere else except in the specified space in the Answer Sheet.
4. Handle the Test Booklet and Answer Sheet with care, as under no circumstances (except for discrepancy in Test Booklet Code or Number and Answer Sheet Code or Number), another set will be provided.
5. The candidates will write the correct Test Booklet Code and Number as given in the Test Booklet/Answer Sheet in the Attendance Sheet.
6. A machine will read the coded information in the OMR Answer Sheet. Hence, no information should be left incomplete and it should not be different from the information given in the Admit Card.
7. Candidates are not allowed to carry any textual material, printed or written, bits of papers, pager, mobile phone, electronic device or any other material except the Admit Card inside the Examination Hall/Room.
8. Mobile phones, wireless communication devices (even in switched off mode) and the other banned items should not be brought in the Examination Halls/Rooms. Failing to comply with this instruction, it will be considered as using unfair means in the examination and action will be taken against them including cancellation of examination.
9. Each candidate must show on demand his/her Admit Card to the Invigilator.
10. No candidate, without special permission of the Centre Superintendent or Invigilator, should leave his/her seat.
11. The candidates should not leave the Examination Hall/Room without handing over their Answer Sheet to the Invigilator on duty and sign the Attendance Sheet twice. Cases where a candidate has not signed the Attendance Sheet second time will be deemed not to have handed over the Answer Sheet and dealt with as an unfair means case. **The candidates are also required to put their left hand THUMB impression in the space provided in the Attendance Sheet.**
12. Use of Electronic/Manual Calculator is prohibited.
13. The candidates are governed by all Rules and Regulations of the Board with regard to their conduct in the Examination Hall/Room. All cases of unfair means will be dealt with as per Rules and Regulations of the Board.
14. No part of the Test Booklet and Answer Sheet shall be detached under any circumstances.
15. **On completion of the test, the candidate must hand over the Answer Sheet to the Invigilator in the Hall/Room.** ***The candidates are allowed to take away this Test Booklet with them.***